# মণিপুরগী ক্লব দিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) আই লিগ ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ফংবা ঙমখ্রে



**বেঙ্গলোর, মে ০৮ (এজেন্সী)ঃ**

মণিপুরদগী হৌখিবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও)না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপপা হিরো সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ অমদা কর্নাটকাগী ক্লব ওজোনবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা লৈবাক অসিগী ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লিগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফংবা ঙমখ্রে। হৌজিক শান্নরিবা হিরো সেকেন্দ দিবিজন ফুটবোল লিগ অসিগী মকোক থোংবা টিম /ক্লব অদুনা হিরো আই লিগতা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

হিরো সেকেন্দ দিবিজন লিগ অসিদা মণিপরুগী ক্লব অমা ওইরিবা ত্রাও এফ সি হৌজিক ফাওবদা শান্নখিবা সেকেন্দ দিবিজন লিগ অসিগী ফাইনেল রাউন্দগী ঙসি শান্নখিববা অহুমশুবা মেচতা টিম অসিনা বেঙ্গালুরুগী ওজোনবু মায়থীবা পীখিবনি।

ত্রাওগী টিম হিরো সেকেন্দ দিভিজন লিগ অসিগী মমাংদা শান্নখিবা মেচ অনীদা মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টিম মরীগী লম্বা অদুদা মকোক ওইদুনা লৈরিবনি।

লিগ অসিগী অহানবা মেচতা ত্রাওনা মমাং থাগী ২৯দা শান্নখিবা মখোয়গী অহানবা মেচতা মিজোরামগী চিংঙা ভেঙবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেচতা টিম অসিনা কাশ্মিরগী ক্লব লোনষ্টার কাশ্মিরবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা ফাইনেল রাউন্দ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুন লৈখিবনি।

ত্রাওনা লোনষ্টার কশ্মিরবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবা মেচ অদু ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শানখিবা মেচ অমদা ওইখি।

ত্রাওনা ঙসি কর্নাটাগী বেঙ্গালুরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদী শান্নখিবা হিরো আই লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচ অনী মায়পাক্তুনা লাক্লবা মতুং মকোক ওইননবা লম্বা তৌনরকখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা ত্রাওনা ওজোনগী শান্নরোয়শিং অদুবু নমখাইদুনা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি। মেচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা ত্রাওগী য়ামি লোংভানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল ১ মাংজিল থাবা ঙম্লবা ত্রাওগী শান্নরোয়শিংগী মশান্না অদুদা কর্নাটাকাগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ওজোনগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদুবু হন্দাক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা মায়োক্নখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ত্রাওগী মায়কৈদগী টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা য়াংমি লোংভানা মেচকী ১২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয় মখোয়না থল্লমখিবা পান্দম অদু য়ৌননবা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎনখি।

ঙসি চথরিবা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লিগ অসিগী মখা চথরকপদা মণিপুরগী ক্লব ত্রাও অমসুং বেঙ্গালুরুগী ফুটবোল ক্লব ওজোনগা শান্নবদা অহানবা হাফ শান্নরকপদা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাজদুনা লৈখ্রবা মতুং হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অদদু ওজেনগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা এটেক চথবা ঙমখি।

মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ক্লব অদুদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা বেঙ্গালুরুগী ক্লব ওজোনবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

# দব্লিয়ু এফ এনা এ এম এম এ-এফ সীবু গোল ৫-১ দা অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না পি এল এল-সীসীপুরবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনন শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দব্লিয়ু এফ এ-ককচীংনা এ এম এম এ-এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না পি এল এ চুড়াচান্দপুরবু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ২ দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চত্থরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ১১শুবা মেচতা এ এম এম এ-এফ সী অমসুং দব্লিয়ু এফ সী-ককচীং লম্বা তৌখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপদগী দব্লিয়ু এফ এ, ককচীংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী শুপ্নগী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ৭, লক্ষ্মীনা মখোয় টিমগী অহানবা গোল চনখি। মেচ অসি স্কোর ১-০দা লৈহনখি। হেল্লিবা গোল অসি এ এম এম এ- এফ সীগী মায়কৈদগী হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না প্রেসর পীদুনা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। এটেক অদু এ এম এম এ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ পি ঐচ অবেমানা গোল ওন্থোক্তুনা স্কোর ১-১ দা লৈহনখি। মেচ অসি মখোয়-মখোয়গী টিমনা অকনবা লালোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চত্থবা হৌরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা এটেকশিং অদু গোল ওন্থোকপদি ঙম্নখিদে। অদুবু অহানবা হাফ লোইগদবা শুপ্নতগী মিনিট ৩ খক ঙাইরবা মতমদা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বিকানা মেচকী ৩২ চৎপা মিনিটতা গোল চন্দুনা ২-১দা লীদ তৌদুনা চৎখি। মখা তানা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইরমদাই মীৎকুপ ফাওবা অহেনবা গোল চনবা ঙম্নখিদে।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। দব্লিয়ু এফ এ ককচীংনা অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা এটেক কয়া চত্থরকপা হৌরকখি। এটেকশিং অদু কে ঐচ ভুমিকানা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী প্লেয়রনা মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গোল চন্দুনা ৩-১দা মাংজিল থাহনখি। অমুক্কসু শুপ্নতগী মিনিট ২ খক কান্নরগা কে ঐচ ভুমিকা জর্সি নম্বর ১০ না মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা গোল চন্দুনা ৪-১ দা মাংজিল থাহনখি। কে ঐচ ভুমিকানা মহাক্কী অহুমশুবা গোল ওইনা মেচকী মিনিট ৬২ চৎপা মতমদা চন্দুনা ৫-১ দা মাংজিল থাখি। মেচ অসিদা কে ঐচ ভুমিকানা গোল ৩ চনবা ঙমদুনা হেটট্রিক লৌখি। মখা তানা এ এম এম এ এফ সীনা মখোয়গী অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনরবসু চনবা ঙমদদুনা মেচ অসি দব্লিয়ু এফ এ ককচীংনা এ এম এম এ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

১২শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) অমসুং পি এল এল চুড়াচান্দপুর শান্নখি। মেচ অসি হেক হৌবদগী হৌনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী প্লেয়র হোইমিহট জর্সি নম্বর ১৪ না ইহান হান্না গোল চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাহনখি। পি এল এল চুড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী মখোয়গীসু একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা গোল একাউন্ট হাংবা ঙমখিদে।

ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী প্লেয়র কিমতে লাঙেল জর্সি নম্বর ৯ না মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা গোল চন্দুনা মখোয়গী টিমনা ২-০ দা মাংজিল থাখি। অমুক্কসু শুপ্নতগী মিনিট ১ কান্নরগা ৩৪ চৎপা মিনিটতা কিমতে লাঙেলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী প্লেয়র টি থোইবীস্নানা অহানবা হাফকী অরোইবা মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা গোল চন্দুনা স্কোর ৪-০ দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফতা পি এল এ চুড়াচান্দপুরবু ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না য়াম্না লায়না শান্নরকখি। মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী প্লেয়র কিমতে লাঙেলনা জর্সি নম্বর ৯ না মহাক্কী হেটট্রিক গোল চন্দুনা স্কোর ৫-০ দা লৈহনখি। অমুক্কসু মিকতে লাঙেলনা মহাক্কী ৪শুবা গোল চন্দুনা ৬-১ দা লৈখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী এল ববিনা জর্সি নম্বর ২০ না মখোয় টিমগী ৭শুবা গোল চন্দুনা মেচ অসি ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না পি এল এল চুড়াচান্দপুরবু পাঞ্জল ৭-০ দা য়াম্না থীনা মায়থীবা পীখি।

# ৭ ষ্টারনা মাইচোন এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে অমসুং দব্লিয়ু পি সীনা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**

এন জি এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শীন্দুনা নোংপোক লৌরেম্বম প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ষ্টেট ওপন ৭-এসাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৭-ষ্টারনা মাইচোন এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা দব্লিয়ু পি সী অংথানা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ৫দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চত্থরক্লিবনি। ঙসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ৭-ষ্টার অমসুং মাইচোন এফ সী লম্বা তৌখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌবদগী ৭-ষ্টারনা মাইচোন এফ সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। মেচ অসি হৌবা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ৪ চৎপদা ৭-ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১৯না গোল অহানবা চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। অমুক্কসু ৭-ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৯ রোবিনসননা মেচকী মিনিট ১৪ চৎপদা গোল চন্দুনা ২-০ দা লীদ তৌদুনা চৎখি। ৭-ষ্টারগী প্লেয়রশিংনা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চত্থরকপদগী অহানবা হাফকী অরোইবা মিনিট ২৫ দা জর্সি নম্বর ৬ না গোল চন্দুনা স্কোর ৩-০ দা লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা মাইচোন এফ সীনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু ঙমদনা অদুমক লৈখি। মেচকী মিনিট ৩১ চৎপদা ৯-ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১০না মিনিট ৩১ চৎপদা গোল চন্দুনা ৪-০ দা লৈখি। অমুক্কসু শুপ্নতগী মিনিট ৪ খক কান্নরগা ৭-ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৭ না গোল চন্দুনা ৫-০ দা মাংজিল থাহনখি। মেচ অসি মাইচোন এফ সীনা গোল একাউন্ট হাংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অরোইবা মিনিট ফাওবা হাংবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসি ৭-ষ্টারনা মাইচোন এফ সীবু গোল ৫-০ দা থোইখি।

৭শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লব অমসুং দব্লিয়ু পি সী অংথা শান্নখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা চাবা মওংদা শান্নখি। অদুবু দব্লিয়ু পি সী অংথানা বোল হেল্লপ পায়দুনা শান্নরকখি। মেচগী মিনিট ১৮ চৎপদা দব্লিয়ু পি সী অংথাগী রোকি জর্সি নম্বর ১৩ না গোল চনদুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। মখা তানা দব্লিয়ু পি সী অংথা অমসুং য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লব টিম অনীনা য়াম্না অহেনবা স্কোর তৌনবা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। অদুবু মেচ অসিগী অহানবা হাফ ফাওবা অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা টিম অনীমক লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা দব্লিয়ু পি সী অংথানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। লেপ্পা লৈতনা দব্লিয়ু পি সীনা এটেক কয়া অমসু চত্থরকখি। এটেকশিং অদু দব্লিয়ু পি সী অংথাগী রোকি জর্সি নম্বর ১৩ না মেচকী মিনিট ৩০ চৎপদা মহাক্কী ২শুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাংজিল থাখি। দব্লিয়ু পি সীগী নোংঙানবা জর্সি নম্বর ৮ না মেচকী ৩৬ চৎপা মিনিটতা গোল চন্দুনা স্কোর ৩-০ দা লীদ তৌদুনা চৎখি। সুধির জর্সি নম্বর ১৮না মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপদা মখোয়গী টিমগী ৪শুবা গোল চন্দুনা ৪-০ দা লৈখি অমসুং ৪৮ চৎপা মিনিটতা দব্লিয়ু পি সী অংথাগী সুধিরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৫-০ দা লৈখি। য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লবনা মখোয়গী একাউন্ট হাংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অরোইবা মিনিট ফাওবা গোল একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসি দব্লিয়ু পি সী অংথানা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা য়াম্না থীনা মায়থীবা পীখি।

# হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা এম পি এস সিগী বালানা পাঞ্জল ৭ চল্লগা সাই এস টি সি কটকপু থোইখ্রে



**লধিয়ানা, মে ০৮ (এজেন্সী)ঃ**

পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা লৈবা গুরু নানক ষ্টেদিয়ম অমসুং জি ঐচ জি খালসা য়ুনিভর্সিটিগী গ্রাউন্দা পাঙথোক্লিবা অহুম্লকশুবা হিরো ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ টুগী মেচ অমদা বালানা পাঞ্জল ৭ চন্দুনা লিগ অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়নননা মণিপুরগী এম পি সিনা উরিষাগী সাই এস টি সিবু পাঞ্জল ১০-০দা থোইখ্রে। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা টামিলনাদুগী ক্লব সেথুনা বেঙ্গরোল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০ মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুরগী ফুটবোল লিগকী চেম্পিয়ন টিম ওইরিবা এম পি এস সি (মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব)না চত্থরিবা ৩লক শুবা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ টুগী অনীশুবা মেচতা উরিষাগী সাই এস টি সিগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা হৌবদগী লোইবা ফাওবা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমদুনা পাঞ্জল ১০ চনখি।

সাই এস টি সি কটক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমদনা টিম অদু মণিপুরগী এম পি এস সিগী মখুৎতা ০-১০দা মায়থীখি।

নীংশিংবা য়াই, মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব এম পি এস সিনা থা অসিগী ৬তা গ্রুপ টুগী অহানবা মেচতা টামিলনাদুগী সেথু এফ সিগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৪-৬তা অকনবা লম্বা থেংনরম্লগা মায়থীহৌবনি।

মায়থীখিবা মেচ অদু ফুগৎনবা হোৎনবদা ঙসি ওরিষাগী সাই এস টি সি কটক ফুটবোল ক্লবপু থোইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা শান্নবা হৌরকখি। এম পি এস সিগী কেপ্টেন বালানা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৪ অদুগা অনীশুবা হাফতনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৭ চনখিবা অদুগা অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় রিনারোই অমসুং দয়ানা মথং শীৎনা পাঞ্জল ২ অমসুং ১ চন্দুনা ১০-০দা থোইখি।

মেচ অদু হৌরকপগী ১০ শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়দুনা খুদুম চনবা ঙমখ্রবা এম পি এস সিগী শান্নরোয়শিংগী এটেক অমদা বালানা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৫ লৈরগা বালানা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাই এস সি টি সি কটকপু ২-০দা মাংজিল থাখি।

মণিপুরগী ক্লব এম পি এস সিনা চত্থখিবা এটেকশিং অদুগী মনুং চন্না অতোপ্পা শান্নরোয় রিনারোইনা অহানবা হাফকী ৩৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা সাই এস টি সি কটকপু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মণিপুর ক্লব এম পি এস সিগী মায়কৈদগী গোল চনবা লেপখিদে। অহানবা হাফ অদুগী ৪১শুবা মিনটতা বালানা হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখিদে হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা বালানা অমুক্কা হন্না মহাক্কী ৪শুবা অমসুং এম পি এস সিগী ৫শুবা পাঞ্জল চন্দুনা সাই এস টি সি কটকপু ৫-০দা হেল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা সাই এস টি সি কটক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপগী মশান্নদি লাইরদনা মণিপুরগী এম পি এস সিগী এটেকশিং অদু ঙাক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। ৫৪ শুবা মিনটতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখ্রবী বালানা মহাক্কী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেচ অদু এম পি এস সিগী শান্নরোয়শিং অমদি সাই এস টি সি কটক্কী লম্বা অদু য়েংনরুবদা অহলগা অঙাং শান্নবা মেচ অমগুম্না লৈখি।

এম পি এস সিগী মায়কৈদগী দয়ানা ৫৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা টিম অদুনা সাই এস টি সি কটকপু ৭-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখ্রবী বালানা মেচকী ৭৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এম পি এস সিগী অপুনবা পাঞ্জল ৭ শুখি।

মখা তানা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী রিনারোইনা ৮১ শুবা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা টিম অদুনা সাই এস টি কটকপু ৯-০দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ মেচকী ৮৩ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখ্রবী বালানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু এম পি এস সিনা সাই এস টি সি কটকপু ১০-০দা থোইখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা এম পি এস সিবু মায়থীবা পীরম্বা টামিলনাদুগী সেথু এফ সিনা বেঙ্গলোর এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। মেচকী ১১ শুবা মিনটতা সেথু এফ সিগী সবিত্রনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা টিম অদুগী সন্ধিয়া রঙ্গনাথননা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২-০দা হেন্দুনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদ্রবসু শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা সেথু এফ সিগী মায়কৈদগী অনিতা বাসনেটনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা মায় পাকখি।

# কে ভি এফ সী কোন্থৌজম অমসুং ভি এস ও তেকচম চাওনা মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর ভেটরান এসোসিএসনন শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল গ্রাউন্দদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে ভি এফ সী-কোন্থৌজমনা বি দি ভি এফ এ-বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা ভি এস ও-তেকচমনা চীং-তম-ভি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

টিম ২১ না গ্রুপ ৫ থোক্তুনা খায়দোক্লগা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা কে ভি এফ সী- কোন্থৌজম অমসুং বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুর শান্নখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা কে ভি এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী মিনিট ইকুস কুইদনা মিনিট ৭ চৎপদা কে ভি এফ সীগী এন ইতোচা জর্সি নম্বর ১০ না মখোয়গী টিমগী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। অমুক্কসু শুপ্নতগী মিনিট ৫ খক কান্নরগা কে ভি এফ সীগী প্লেয়র সী ঐচ অনন্দ জর্সি নম্বর ১১ না ১২শুবা মিনিটতা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাংজিল থাহনখি। কে ভি এফ সীগী ৩শুবা গোল ওইনা লমখোলেন জর্সি নম্বর ১৫ না মেচকী মিনিট ১৫ চৎপদা গোল চন্দুনা স্কোর ৩-০ দা লৈহনখি।

বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুরনা মখোয়গী একাউন্ট হাংদা য়াদে হায়দুনা য়াম্না কন্না এটেক চত্থরকপদগী কাখুচুং জর্সি নম্বর ৪ না অহানবা হাফকী অরোইবা মিনিট ৩০ দা গোল চন্দুনা মখোয় টিমগী একাউন্ট হাংবা ঙমখি। অহানবা হাফ ফাওবদা কে ভি এফ সীনা বি দি ভি এফ এবু ৩-১দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক অমনা অমবু হেঞ্জিন্নদনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। বি দি ভি এফ এগী মায়কৈদগীসু অহেনবা প্রেসর পীদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীমক মেচকী লোইরমদাই ফাওবা গোল চনবদি ঙম্নখিদে। মেচ অসিগী অরোইবা মিনিট ৬১ দা লমখোলেন কে ভি এফ সীগী প্লেয়র অসিনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা স্কোর ৪-১ দা লৈহনখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা চীং-তম ভি এফ সী অমসু ভি এস ও তেকচম শান্নখি। মেচ অসি ভি এস ও তেকচমনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী মিনিট ১৮ চৎপদা ভি এস ওগী প্লেয়র এল ইবোচৌ জর্সি নম্বর ১৬ না মখোয় টিমগী অহানবা একাউন্ট হাংবা ঙমখি। এস সেমসন জর্সি নম্বর ৭ ভি এস ওগী প্লেয়র অসিনা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপদা গোল চন্দুনা স্কোর ২-০ দা লীদ তৌখি।

ভি এস ওগী প্লেয়র এল ইবোচৌনা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৩-০ দা মাংজিল থাখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা চীং-তম ভি এফ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গীসু একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনজমল অদুগী পান্দম য়ৌবা ঙমখিদে। ভি এস ওগী প্লেয়র এস সেমসন জর্সি নম্বর ৭ মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপদা চন্দুনা স্কোর ৪-০ দা মাংজিল থাখি। ভি এস ওনা লেপ্পুনা এটেক চত্থবদগী মেচ লোইবগী ইঞ্জুরি টাইমদা গোল অমুক্কসু চন্দুনা ৫-০ দা লৈখি। মেচ অসি ভি এস ও তেকচমনা চীং-তম ভি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

# বোক্সরশিংবু কনসি : এম এ বি এ

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ)না ঙসি পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা এসোসিএসন অসি মপূ পান্দ্রে হায়বগী মওংদা অতোপ্পা লূপশিংনা ফোঙদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না সেক্রেটরি জেনরেল খোইবী সলামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউগী মীফম অদুদা এসোসিএসন অসিগী মনুংদা মচেৎ তানবা হোৎনরিবশিংনা এসোসিএসনগী থবক থৌরমশিং মুন্না খঙবীয়ু। লোয়ননা লমদম অসিগী বোক্সরশিংবু মালেমগী থাক্তা য়ৌনবা হোৎনবদা এসোসিএসন অসিবু মতেং পাংবীয়ু হায়না সেক্রেটরিনা মখা তাখি।

# ৱাই য়ুনা কাংশঙবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):**

ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচীংনা শীন্দুনা ককচীংগী বেসিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ৱাই য়ু ককচীংনা কাংশঙ পল্লেলবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদু হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৱাই য়ুগী অভিনাশনা শান্নবগী ৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা হাফকী হৌরকপদা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় রাজকুমারনা ৩৩শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং ৪২শুবা মিনিটতা ৱাই য়ুগী বাবুলনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।




HL-B/5369/3/5-30/6

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.
1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items :- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available :- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।
N.B. :- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।
EMPLOYMENT NEWS : OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, THOUBAL, MOIRANG), Car Driver, Security, Mechanic & Gr-IV, Legal Advisor, Computer Operator, Chowkidar
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 9383154085 Office Hour : 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/5368/3/5-30/6



HL-B/5359/28/4-26/6


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com